# সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়ারোই, মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়দুনা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(এস এন এস)ঃ সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়ারোই অমদি ইন্দো নাগা পিছ টোল্ককী ৱারোইশিননা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা শগোলবন্দ লম্বী পরিংদা নুপী লিংশিং অনীরোমনা চেকশিন খোঙচৎ চৎখ্রে।

মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা কোকোমিগী খোঙজংবু শৌগৎলদুনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেকশিন মীফমগী খোঙজং চঙশিন্নখি। খোঙজংশিং অদুগী মনুং চন্না শগোবন্দ মোইরাংহনুবা মৈরা পায়বীনা শিল্লগা মোইরাংহনুবা মার্কেট সেদতা, সগোলবন্দ খন্নাম লৈরক অমসুং সোয়াম লৈরক অপুনবা মৈরা পায়বীনা খন্নাম কৈথেলশঙদা, তেরা খুরাইজম লৈরক অমদি ৱাংথোনবী মৈরা পায়বীনা খুরাইজম লৈরক মপাদা চেকশিন মীফমগী খোঙজং চংশিনখি।

তেরা লুক্রাম লৈরক মৈরা পায়বী অমদি য়ং দিবলমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শিল্লগা তেরা লুক্রাম লৈরক্তা, তেরা লৌক্রাকপম লৈকাই মৈরা পায়বীনা লৌক্রাকপম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা অমদি আইদিয়েল ক্লবনা শিল্লগা শগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা চেকশিন মীফম চংখি। শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকাই অমদি শগোলবন্দ সলাম লৈকাইদা লৈকাইশিং অসিগী অপুনবা মৈরা পায়বীশিংনা চেকশিন মীফমগী খোঙজং চঙশিনখি।

নুংথিল পুং ৩ রোম তবা মতমদা সগোলবন্দ লম্বী মোইরাংহনুবা লৈরক্তগী চেকশিন মীফমগী খোঙজং চংশিনখিবা মৈরা পায়বীশিংনা মমাং পাংনা খ্বায়রঙ্গন্দ কৈথেল তম্না খোঙচৎ অমা চৎপা হৌরকখি। খোঙজং অদুদা লম্বী পরিং অসিদা চেকশিন মীফম চংখরম্বা লৈকাই লৈকাইগী মৈরা পায়বীশিং য়াওশিল্লক্তুনা অচৌবা খোঙচৎ অমা ওইখি। খোঙচৎ অদুদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়ারোই, মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাওশিং খোঙচৎলোইশিং অমত্তা ওইনা লাওখি।

খোঙচৎ অদু শগোলবন্দ বিজয়গোবিন্দা হায়জিনফম থাঙ্গাপাৎ মচিন য়ৌরকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পিনা লুচিংবা মশীং য়ান্নবা পুলিস পার্সোনেলশিং থোমজিল্লক্তুনা মখা তনা চৎপা থিংখি। অদুবু খোঙচৎলোইশিং অদুগা পুলিসকা ৱারী শান্নরবা মতুংদা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মপা ফাওবা হায়না য়ান্নবা পুরকপদগী পুলিসনা ঙাক্লগা মফমদুদা ফাওবা চৎলগা মমায় লৈরগা হল্লনখি।

মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা চেকশিন মীফমগী খোঙজং অদু নাওরেমথোং য়াওনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা চঙশিনখি।

## ইহৌদা শরুক য়ারগনিঃ এন এস য়ু আই

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ওইরিবা তংদু–লৈতাদ্রিবা ফীভম অসিদা মীয়ান্না সি এ বি অমসুং ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মপূং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা শরুক য়ারগনি হায়না নেস্নেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) মণিপুর ষ্টেটনা ফোঙদোকখ্রে। য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট পি বঙ্কিমচন্দ্রনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টদা করি করি য়াওরি হায়বসি খঙহন্দবনা মরম ওইরগা লমদম অসি তংদু– লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মখোয়গী ওইবা ফিরেপ খঙহনবা লৈত্রি।

# এয়ার কে বি জেদনা ইম্ফাল মন্দলে ফ্লাইট সর্ভিস হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৩(এস এন এস)ঃ ম্যানমারগী প্রাইভেট কেরিয়ার এয়ার কে বি জেদনা ঙসিদগী মন্দলে–ইম্ফালগী মরক্তা চার্টর ফ্লাইট সর্ভিস হৌদোকখ্রে। ৱাটর সেল্যুট পীদুনা তরান্না ওকখ্রে।

মন্দলেদগী পুন্না পেসেঞ্জর ৩৩ পুরগা লাকখিবা প্রাইভেট এয়ারলাইন্স অদুগী ফ্লাইট অদু ইম্ফালদা পুং ১১.১৫ রোম তাবা মতমদা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্টতা থুংলখি।

ঙসি মন্দলেদগী ইম্ফালদা থুংলখিবা ফ্লাইট অদুদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর ৩৩ গী মনুংদা ১৪ দি কোলকাটা ফাওরগা বোধগায়াগীদমক ইম্ফাল এয়ারপোর্ট থাদোকখি হায়রি।

ম্যানমারগী ফ্লাইট অদুনা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্টতা থুংলবা মতমদা হান্না থৌরাং তৌদুনা থল্লবা মণিপুর ফয়ার সর্ভিসকী ঈশিং তেন্দর অনী শিজিন্নদুনা ৱাটর সেল্যুট পীখি।

ফ্লাইট অদুদা তোংলকপা ম্যানমার দেলিগেটশিং অদুবু হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যাম, এডুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, চ্যারমেন মণিপুর টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর ডা. এস রঞ্জন, চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু, ফ্লাইট অসিবু পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কে বি এন্টরপ্রাইজগী প্রোপ্রাইটর পাওম্বম কুঞ্জবিহারি য়াওনা ওফিসিয়েল কয়ানা লেংয়ানফি পীদুনা তরান্না ওকখি।

ফ্লাইট অদু চয়োল অমদা য়ুমশকৈশ অমদি থাঙজদা পাইগনি। লোয়ননা মসি থা অমগী ওইনা চাংয়েং ওইনা পাইবনি। হায়রিবা ফ্লাইট অসিনা মন্দলেদা হনখিবা মতমদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ৪৮ তোংখি হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর এডুকেসন টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়, অসিগুম্বা চার্টর ফ্লাইট অসিনা ইন্দিয়া অমদি ম্যানমার অনীগী মরক্তা নোংথক লম্বীদা শম্নহনবদা খুদোং চাহনগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইম্ফাল মন্দলে রিগুলার ফ্লাইট সর্ভিস লৈহন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসনদগী অয়াবা পীবিনবা তক্লরি। মীয়াম্না ফ্লাইট সর্ভিস অসিবু মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙবীনবা রাধেশ্যামনা মখা তাখি।

# বি এস এফকী টিমদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা এটেক্ট তৌরম্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(এস এন এস)ঃ শকখঙদবশিংনা সেকুরিটিদা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোখোয়হনখ্রে, অশো অপন্দি য়াওখিদ্রে।

থৌদোক অসি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ক্বাকৈথেল ক্রোশিং টিদিম লম্বীগী মনিংথবা মতাইদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা, ষ্টেটসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবগীদমক ঙসিদগী নুমিৎ ২০ রোমগী মমাংদা ষ্টেটসিদা লাকখিবা ৯৩শুবা বোর্দর সেকুরিটি ফোর্স (বি এস এ) জি কম্পনিগী পার্সোনেল ৮ রোমনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদগী ক্বাকৈথেলগী মফম অদুৱাইদা দ্যুটি তাদুনা লৈখি। বি এস এফ পার্সোনেলশিং অদু খুমন লম্পাক্তা লৈবা আই এস বি টিদা লৈরগা পার্সোনেলশিং অসিবু হোনে দাক হোনজিনদা শিজিন্নবা লাইনাই ত্রক অমনা আই এস বি টিদ্দগী নুংতিগী পুরক্লগা ক্বাকৈথেলদা দ্যুটি তৌদুনা লৈরকখিবনি। নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবা মতমদা পার্সোনেলশিং অদুগী লৈফম আই এস বি টিদা হন্নবা টাটা ট্রক অদুগী মনাক্তা চঙশিন্নরকপদা মখারোমদগী মোতোর সাইকলদা লাকখিবা শকখঙদবা মীওই অনীনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোখোয়হল্লম্বনি হায়রি। করিগুম্বা পোৎশক অমা লংশিল্লকপা উবদগী চেহ্নোকহৌবদগী বি এস এফ পার্সোনেলশিং অদু অশোক অপনদি য়াওহৌদ্রে হায়রি।

# হায়ৱেদা মখল অমত্তগী লিগেল টেক্স লৌহনবিগনু কো ওর্দিনেটিং বোদি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ নেসনেল হায়ৱেশিংদা এন এস সি এন (আই এম) শিংনা তোঙান তোঙানবা মওংদা ইলিগেল টেক্স কয়া লৌবনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা খুৎশেমগী ওইবা পোৎচৈগী মমল তাংবগী অৱাবা মীয়াম্না মায়োক্লরি। মরম অদুনা অসিগুম্বা ইলিগেল টেক্সশিং অসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিদুনা লৌহন্দনবা থৌশিল লৌখৎপিয়ু হায়না কো ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মথক্কী ৱাফম অসি কো ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী স্পোক্সপার্সন বোন খুরাইনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদা, হৌখিবা চহী ২২/২৩ অসি নেসনেল হায়ৱেশিংদা লৌরিবা টেক্সশিংগী মায়োক্তা চঙশিন্দুনা লাকপনি। অদুবু হৌজিকসু এন এস সি এন (আই এম) না চহীগী ওইনা টেক্স অমা, গোদাউন টেক্স, গারীগী টেক্স, চাদ ১ সেল টেক্স হায়দুনা তোঙান তোঙানবা মওংদা নেসনেল হায়ৱেশিংদা টেক্স লৌরি। মসিনা হৌজিক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীগী মরক্তা চংখরিবা পীছ টোল্ক অসিদা অকায়বা ওইহল্লকপসু য়াই।

মণিপুরদা খুৎশেমগী ওইবা পোৎচৈগী মমল তাংখৎলকপগী অচৌবা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লরিবসি এন এস সি এন (আই এম) অমসুং মসিদা টেক্স লৌরিবশিংনা থোকহনবনি হায়না লৌই। মখোয়না লল্লোন ইতিক তৌরিবশিংদগী টেক্স কয়া লৌরবনিনা মখোয়গীদি মাংবা য়াদবনিনা মীয়ামদগী কুপখৎনবা হোৎনরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। মসিনা মীচম মীয়ামদা হেন্না হেন্না চৈথেং পীরিবনি হায়বসি এন এস সি এন (আই এম) অমসুং টেক্স লৌরিবশিংনা খঙগদবনি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়েংদুনা লৈরিবসি মতম য়াম্না কুইমল্লে। মসি খুদক্তা লোইশিন্নবা হোৎনবিয়ু। এন এস সি এন (আই এম) অমসুং টেক্স লৌরিবশিংনা টেক্স লৌদবা য়াদে হায়রগনা মখোয়না লম্বী থোং শেম্বীয়ু। মণিপুর লৈঙাক্লা ইলিগেল ওইবা টেক্সশিং অসি মুখৎনবা চঙশিল্লকপাা খোঙজংশিংদা কো ওর্দিনেটিং খুরাইনা শৌগৎকনি। লোয়ননা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা ইলিগেল টেক্স লৌরিবশিং ফাদুনা চৈরাক পীবগা লোয়ননা চীং অমদি তমগী মরী কায়দনবা হোৎনবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# থাংমৈবন্দগী মীয়ান্না সঙাই ফেষ্টিভেল শরুক য়াবিগনুঃ থাউ

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিভেলদা থাংমৈবন্দগী মীওই অমত্তা শরুক য়াবিগনু হায়না থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবনা ফোঙদোরক্লি।

থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকাইদা লৈবা নহারোল লৈশেম্বা ক্লবতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবকী প্রসিদেন্ট প্রতাপ লৈশাংথেমনা হায়, নাগা পীছ টোল্কনা লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তমদা অকায়বা পীরক্কনি হায়বগী চরাংনবা, মীপাইবা লৈদুনা কোকোমিনা লুচিংদুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। মসিগীসু মথক্তা সিটিজেন্সিপ এমেনদমেন্ট বিল চৎনহন্নবা সেন্টর লৈঙাক্কী ওইবা ফিরেপকী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লমদম অসিদা লৈতাদনা লৈরিবা ফীভম অসিদা হরাউ কূম্কে পাঙথোকপগী মরম চাদে। সঙাই ফেষ্টিভেল অসিদা থাংমৈবন্দগী মীওই অমত্তা শরুক য়াবিগনু।

মহাক্না মখা তানা হায়, থা অসিগী নবেম্বর ২২, ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থাংমৈবন্দ ইমপ্রুভমেন্ট ক্লবকী কেম্পসতা বোম পোকখায়হনদুনা সেক্যুরিটি পার্সোনেল অনী শোকহনখিবা থৌদোক অদু থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবনা কন্দেম তৌই। মীয়াম তোইনা তিনবা মফম অসিদা বোম পোকখায়হন্দুনা অশোক–অপন নংহল্লিবসি মরী লৈনবনা অথুবদা শেংদোকপীয়ু। সি আর পি এফকী মফম অদুদা মথৌ তৌখিবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংদগী তাহৌরগা পোকখায়রিব্রা হায়বদুসু মীয়ামদা শেংদোকপীয়ু। খুদোংচাদবা মীয়ামদা অকি–তুজুংবা পীরিবসি থোক্তনবা মফম অসিদা মখা তানা সেক্যুরিটি থন্বীগনু হায়না ফোঙদোকখি।

## লৈবাক্কী লুরবা তানফমদা ...

*লমায় ১গী মখা ...*লৌবিরকপা অসি লৈবাক্কী ওইরবা ফিভম অসি য়েংলগা অচুম্বা ৱারেপ লৌরকপনি হায়না কোকোমিনা লৌই।

মমাঙদা লৈবাক্কী ইহৌ কয়া হৌরুরগা ওল্লকপদা লাকপা মীখলগী মতাংদা মীয়াম্না পেন্নখিদবদো হন্দক্কী মতাং অসিদদি থোকহল্লগুমসি। সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকফম ওইরিবা হপ্তা কাংজেবুং অমদি লম্বোই খোঙনাংখোঙগী অকোয়বদা লৈবিরিবা মীয়াম্না লৈবাক্কী ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা করম্বা ফিরেপ লৌগদগে হায়বদু লৌবিয়ু। মণিপুর মীয়ামনা সঙাই ফেষ্টিভেল শরুক য়াখিদ্রে হায়বদু ইনিদয়া গভর্ণমেন্টদা উৎলসি হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কোকোমিগী মেম্বর এল থোইথোই খুমননা হায়, হৌজিক লৈবাক কায়বা য়াবগী ফিভম অমদা লৈরিঙে তাঞ্জা অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌবগী মহুত্তা ইথক ইরাংদা মায় ওনশিন্দুনা লৈবসি কোকোমি অমদি মণিপুর মীয়াম্না পেন্দে।

মণিপুর লৈঙাক্লা লৌফম থোকপা থৌদাং অদু লৌবীয়ু। মণিপুর মীয়াম্নসু লৈবাক্কী অরুবা তাঞ্জা অসি য়েংলগা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি শরুক য়াদবা ফিরেপ অদু লৌমীন্নরসি হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

## পি এম অমসুং হোম মিনিষ্টর উন্নবা...

*লমায় ১গী মখা...* অদুদি ঐগী মীগী নাইদনা চপ চাবা চৈরাক ফংফম থোকই। মসিদা পোলিটিকেল ওইবা মাইলেজ লৌবা নৎত্রগা লৌনবা নৎত্রগা মতাং চাবা চাদবা হায়বসিদি মীয়াম্না অদুমক লেপচসনু হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

## মৈতৈ নুপা অমনা নুপী অমা হাৎলুবগী...

*লমায় ১গী মখা...*অসিদা বিনোদ খঙহন্দনা শিন্নখিবনি। ৱাফম অসি বিনোদনা খঙলক্লবা মতুংদা ওঝা নুপী অদুদা মচা নুপী পীরক্লবা তোয়না হায়বগা লোয়ননা ওঝা অসিগা তোয়না নিঙাই শাংদানবসু থোকখি হায়রি।

মচানুপী অসিগী ৱাহৌদগী হৌখিবা নবেম্বর ১৭ কী নুমিদাং পুং ৯.৪৫ রোম তাবা মতমদা বিনোদনা য়ু ঙাওদুনা লাক্লগা তুইঙৌলজাংদা পোষ্টিং তাদুনা লৈরিবা ওঝা নুপী দিম লুন মাংগী ময়ূমদা লাক্লগা ১২ বোর গননা কাপ্পদগী শোকখি। খুঞ্জাশিংনা হোস্পিটালদা লায়কন্নবা পুখৎলকপা লম্বীদা নজাং খুন য়ৌরকপদা লৈখিদবনি হায়রি।

ওজা অদু হাৎলম্লবা মতুংদা বিনোদতি খুল অদু থাদোক্তুনা চেনখ্রে। মহাক মণিপুরোমদা চেশিল্লম্বা য়াই হায়নসু থাজনরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# লমকোয়বশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নবা মচাকশিং...

*লমায় ১গী মখা ...* তঙ্গইফন্দবসু লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, টুরিজম মার্ট অসি মপুং ওইনা অৱাং নোংপোক লমদমগী লৈরিবা টুরিজম পোটেন্সিয়েল অমসি মালেমগী লৈবাকশিংদা খঙহন্নবা পাঙথোকপনি।

মণিপুরদা হান্না লৈরম্বা ৱাখল্লোন অসি য়াম্না খুমাং চাউশিননা হোংলক্লে। লৈঙাক অসিনা বন্দ, ব্লোকেন্দকী কলচর লৈতবা লমদম অমা শেমগৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। ঙসিদি অয়েৎ অপন পীরকপা মীওই কাঙলুপশিং অসি ইহ্নোকপা হৌরক্লে। কুমজা ২০১৬কা য়েংনবদা মণিপুরদা বন্দ অমদি ব্লোকেন্দ চাদ ৮৮ গী চাংদা হহুরে।

মণিপুরদা কুমজা ২০১৫ দগী ২০১৯ ফাওবদা ব্যুজিনেস রেজিষ্ট্রেসন অসি পুন্না ১২,৪৩৮ তৌখি। মসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী অপুনবা মশীংদগী চাদ ৭৪ হেনগৎলবনি। হৌখিবা চহী অনী মখায় অসিদা এম এস এম ই সেক্টরদা চাদ ৬০ গ্রোথ লৈবা ঙম্লে। নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা কৈথেল হাংনরে হায়খি।

লমদম অসিদা ইংথ তপথবা ফিভম অমা লাকপা অসিনা লমকোয়বশিং লাকপগী চাংসু হেনগৎলক্লি। হৌখিবা চহীদা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,৬৬,০৩২ মণিপুরদা লাকখি। মসি কুমজা ২০১২ দগী চাদ ১৪ হেনগৎলবনি। হায়রিবা মতম অসিদা ষ্টেট অসিদা ফোরেন টুরিষ্ট লিশিং ১০গী মথক্তা লাকখি।

লমদম অসিদা মীয়াম্না লাক্লবগীদমক অফবা কনেক্তিভিটি লৈহনবা চংই। ঙসিদগী হৌরগা ইম্ফাল মন্দলে ফ্লাইট সর্ভিস হৌরে। মসি সেদ্যুল ফ্লাইট ওইহনবীনবা মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসনদা তক্লরি হায়খি। মসিদা নত্তনা ষ্টেট মনুংগী ওইনা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং শম্নবা হেলিকোপ্টর সর্ভিসু লৈহল্লে হায়খি।

ইম্ফাল মনুংদা ইলিভেটেদ হায়ৱে, রিং রোদনচিংবা শেমগৎপগা লোয়ননা অথুবদা চীংগী লমদা হেন্না কনেক্তিভিটি হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি। মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা রেলৱে ব্রিজ মণিপুরদা শাগৎলি হায়খি।

অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল অসিদা মপান লৈবাকশিংদগী লাকপা লমকোয়বশিংনা মপুং ফানা শরুক য়াবিনবা আপীল তৌখি।

আই টি এম অসিদা মালেমগী লৈবাক ১৯ দগী লাকপা ফোরেন বাইয়র দেলিগেট ৩৬না শরুক য়ারি। মসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অষ্ট্রেলিয়া, কানাদা, কেম্বোদিয়া, জেক রিপব্লিক, দুবাই, ইটালি, জাপান, ওমান, কোরিয়, ম্যানমার, মালেসিয়া, সাউদি অরাবিয়া, সাউঠ আফ্রিকা, সিঙ্গাপুর, স্পেন, থাইলেন্দ, য়ু এস এ, য়ু কে, ভিয়েটনামনচিংবা লৈবাকশিংগী দেলিগেটশিং শরুক য়ারি।

ফোরেন দেলিগেটশিং অদুগী মথক্তা টুরিজম সেক্টরদা থবক তৌরিবা ষ্টেকহোল্ডর ৪৯ অমদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী সেল্লর ১০৯সু মার্ট অসিদা শরুক য়াখি।

# ‘পাউমীশিংগী পেন্সনগী শেনফম হেনগৎনবা হোৎনরি’

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লমদম অসিগী চহী য়াম্লবা থবক্তগী পোখারবা জর্নেলিষ্টশিংদা মখোয়না কখোক্লম্বশিংবু ইকায়খূন্নদুনা পীরিবা জর্নেলিষ্ট পেন্সন স্কিমগী শেনফম অদু হেনগৎনবা চে–চাং শুবা লোইরে, কেবিনেটতা পুথোক্তুনা চৎনবা হৌনবা খন্নরগনি হায়না ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসনগী মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অদু ঙসি ইন্দিয়ান জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (আই জে য়ু), ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মাস কম্যুনিকেসননা শীন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এম আই এম এস দিপার্টমেন্টকী কনফরেন্সতা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চংখগদবা নেস্নেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মিটিং ওফ ইন্দিয়া জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (আই জে য়ু) হৌদোকপগী থৌরম অমদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সগী মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ, ইন্দিয়া জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিন্টে ইন–চার্জ গীতারথা পাথক অমদি ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

চীফকী ৱারোল মখা তারদুনা মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা হায়, মালেমগী মফম পূম্বগী ওইনা মীয়ামদা ঈ–পাউ পীবদা জর্নেলিষ্টশিংগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। অদুবু তাঙ্কক কয়াদা জর্নেলিষ্টশিংবু আইননা য়াদবা মীওই কাঙলূপশিংনা ফাদুনা ফু– চৈবা অমদি হাৎপগী থৌদোক্তসু তারি। মসিমক য়ান্না লাইবক থিবনি। জর্নেলিষ্টশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খূন্নফম থোকই। ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিদা মেডিয়ানা মরিশুবা য়ুম্বীনি হায়রিবনি। মেডিয়া য়াওদনা লৈবাক অমত্তনা পোলিটিক্স, ললোন–ঈতিক অমদি চউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমত্তা মায় পাকপা ঙম্লোই।

লোয়ননা লমদম অসিগী কখে–ল্লম্বা থবক্তগী পোখারবা জর্নেলিষ্টশিংগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা পীরিবা পেন্স–নগী শেনফম অদু লুপা ১৫,০০০ য়ৌহন্নবা হোৎনরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইনিদয়া জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ গীতরথা পাথক্লা হায়, জর্নেলিষ্টশিংবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎলবা মতমদা লৈবাক অমনা চাউখৎপা ঙমগনি, করিগুম্বা জর্নেলিষ্টশিংগী রাইট মৎতুনা লৈরবদি লৈবাক অদু চাউখৎপা থিনগনি। থৌদোক কয়াদা চৈথেং নংখ্রবা জর্নেলিষ্টশিং অদুগুম্না মখা তানা থোক্তনবা অমসুং জর্নেলিষ্টশিংবু ঙাকপী শেনবিনবা এক্ট অমা শেমদুনা চৎনহনবা তঙাই ফদে।

# হৌরক্লিবা মহৈরোইশিং অসিদা ঐখোয়গী হেরিটেজকী মরমদা হেন্না খঙহনবা মথৌ তাইঃ এল জয়েন্ত

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ হৌরক্লিবা, তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিং অসিদা লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা নাৎ, চৎনবী অমদি হেরিটেজকী মরমদা হেন্না মমুৎ তানা খঙহন্দুনা ঐখোয়গী কলচর অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর লাংপোক্লাকপম জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজিনা শীন দুনা হৌখিবা নবেম্বর ১৯ দগী হৌদুনা নবেম্বর ২৫ ফাওবা চংখগদবা ৱার্ল্ড হেরিটেজ ৱিককী মনুং চন্না কংলা হোলদা পাঙথোকখিবা মহৈরোইশিংগী লাইয়েকপা চাংদম্নবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ঐখোয়গী ইপা–ইপুশিংনা থম্বীরম্লিবা থাক ৱাংলবা কলচর অমদি ট্রেদিসন অসিগীদমক ঐখোয়না মালেমগী মীয়াম মমাঙদা চাউথোকচবা ফাওই। অদুবু অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা ইপা–ইপুশিংনা থম্বীরম্বা খুদোল অসিবু মতমগী হোংলক্লিবা মতমগী ইচেল অসিদা তপ্পা তপ্পা মাঙশিল্লকপগুম তৌরি। মরম অসিনা ঐখোয়গী হৌরক্লিবা তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা অঙাংশিং অসিদা ঐখোয়না ইনাৎ চৎনবীশিং অসিবু মমুৎ তানা তম্বীবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাক্না হায়, মালেমগী চউখৎপা লৈবাকশিংনা শেম্মীৎলোন্দা, অতৈ সাইন্স অমদি টেক্নোলোজিগী লমদা খক্তা নত্তনা মখোয়গী কলচর অমদি ট্রেদিসনবু য়োক–খৎনবা অমদি অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবসু কন্না হোৎনরি।

অমরোমদা, মণিপুরগুম্লবা ইন্দিয়াগী চিদায়দা লৈরিবা পীক্লবা ষ্টেট মচা অমদা চহী খুদিংগী মপানগী চাউখৎপা কন্ট্রিশিংদগী লাক্তুনা পোলো টুর্নামেন্টদা শরুক য়ারিবা অসি লমদম অসিগী ওইবা হেরিটেজকী ভেল্যু অদুননি। অসিগুম্বা মমল নাইদ্রবা কলচর অমদি হেরিটেজকী মচাকশিং অসি য়োখৎতুনা হেন্না ৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ৱার্ল্ড হেরিটেজ ৱিক অসিগা মরী লৈননা অঙাংশিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নবগী থৌরম পাঙথোক্লিবসি অঙাংশিং অদুগী মখূৎ–মশা হৈবা অদুখক য়েংনবা নত্তে। মখোয়দা ফাওরিবা হেরিটেজকী ৱাহয়োক অদি মসিগী অশেংবা ঈহুল অদু ময়েক শেংনা খঙনবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

মহৈরোইশিং অসিনা মখোয়গী স্কুলদা তম্লিবা ফোর্মেল ওইবা এদুকেসন অসিখক্তা নত্তনা খুন্নাইরোলসু নীংথিনা তম্বা মথৌ তাই। মদুদতা লমদম অসি নুংশি চান্নবা লৈবা ইং–তপ্পা লমদম অমা শোয়দনা ওইবা ঙমগনি হায়খি।

পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা শিথরুরবা লমদম অসিগী ইনাৎ অসিবুসু ঐখোয় ময়ান্না পূন্না হোৎনদুনা অমুক নৌনা শেমগৎনবা হোৎনমীন্নসি হায়খি।

থৌরম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, কংলা বোর্দকী মেম্বর এন জয়কুমার সিংহনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর এ সিবদাস শর্ম্মনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

কেটেগোরি অহুম থোক্লা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা কেশ এৱার্দ, মোমেন্টো অমদি সার্টিফিকেটনচিংবশিং য়েহ্নোক্তুনা পূক্নীং থৌগৎখি।

# চৎনদ্রবা শেল লোৎশিল্লম্বা শাথিবা ওফেন্সনিঃ বিজয়

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৩(এস এন এস)ঃ চৎনদ্রবা শেল বেঙ্কতা পী–খত্তনা লোৎশিন্দুনা থম্বা হায়বসি শাথিবা ওফেন্সনি। মসি চৈরাক ফংফম থোকই। কোংগ্রেসনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমদি সি এ বিগী ইশুদা মণিপুরদা চরাংনবা থোকহন্নবা শিল্লি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোই সি ঐচ বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ঙসি বিজয়না হায়, ঙরাং মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী স্কামগা মরী লৈননা সি বি আইনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চংখিবা অদুনা বি জে পি লৈঙাক্লা শেঞ্জা থুমজাগী মায়োক্তা লেপ্লি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎপা ঙম্লে।

বি জে পি লৈঙাক্তি চিন্দগী হেন্দে খূৎ য়াওদে হায়বদু অরানবনি হায়বসি ঙরাংগী থৌদোক অদুনা ময়েক শেঙনা তাক্লে। চৎনদ্রবা শেনফম ময়াম ফাগৎখিবা অদু য়াম্না শাথিবা ওফেন্স–নি। বেঙ্কনা পীখৎনবা হায়খিবা মতমদা শেনফমশিং পীখৎতনা থম্বা হায়বসি য়াম্না ব্লেক মনি পৈশিন্দুনা থম্বগী খুদমনি।

অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মণিপুরগী কোংগ্রেস লুচিংবশিংগী অনৌবা মমায় অদু উখোকপনি। এম দি এস স্কাম অসিদা নত্তনা এল দি এগী স্কাম অমদি ট্রাইবেল বোইজ হোষ্টেল শাবগী স্কাম অসিসু অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমদি সি এ বিলগী মতাংদা চরাংনবা থোক্লিবা অসি কোংগ্রেস পার্টিগী অচৌবা খুজিল থৌরাং য়াওরি।

কোংগ্রেস পার্টিনা অশেংবা ৱাফমশিং লোৎশিল্লগা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা মীয়ামগী থম্মোয়দা পাখৎহনবগী থৌওং চংখরি।

ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি এন এস সি এন আই এমগী পীছ টোল্ক অসি করম্বা মওংদা চংখরি হায়বা কোংগ্রেসনা লোইনা খঙবনি। হৌজিক চংখরিবা ৱারী অসিসু অসাম একোর্দ, মিজো একোর্দ, শিল্লোং একোর্দকুম্না প্রোটোকোল অমগী মখাদা চংখরিবনি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরি হায়বা কোংগ্রেসনা খঙলিবনি। অদুবু মখোয়না মীয়ামদা করিগুম্বা অমত্তা হায়দোকউ য়াদে হায়না লাওরিবনি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিদা এন এস সি এন–আই এমনা তানলম্বা সোভরেন্টিগী ৱাফম থাদোকপা, য়ুম্লোন্নরিবা ষ্টেটশিংগী বাউন্দরি শোকহল্লোই হায়না হায়বসু লৈরিবনি। খূৎয়েক পীনখ্রবা এগ্রিমেন্ট অমা শেমদোক শাদোকপা য়াফম থোক্তে।

কোংগ্রেস পার্টিনা মীয়াম পুশিল্লগা নেগেটিভ ওইবা মীৎয়েংদা উহন্দুনা মীয়ামদা মীপাইবা ফাওহল্লি হায়খি। সেন্ট্রেল লিদরশিংনা ইশু অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা ষ্টেকহোল্ডরশিং তান্নরমগনি হায়না ফোঙদোক্লবনিনা য়াম্না অরিবা ওপোজিসন পার্টি অমা ওইনা চুম্না মীয়ামদা তাকপীবা ওইরবদি লৈবাক্লা থাগৎনগনি।

চহী অসিগী হৌগৎলকপদা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্ট মীখলদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবদি সি এ বি চৎনহনগনি হায়না ফোঙনা লাওথোকখিবা লৈখিবনি।

হৌজিক্তি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা মীয়ামগী চীংনবা হহুরক্লে। সি এ বি অসি কোংগ্রেস পার্টিনা চৎনহন্নবা হোৎনবগী চেরোল মতিক চানা লৈরি হায়খি।

# ষ্টৌলগী পোৎলমশিং মাঙহন–তাকহনবিগনুঃ ফোরেন দেলিগেটশিং

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ইশু অসিনা মরম ওইরগা থোক্লকপা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্লকপদা য়োন্নবা পুরক্লিবা পোৎলমশিং অমদি ষ্টৌলশিংদা মাঙহন–তাকহনবিগনু হায়না ফোরেন দেলিগেটশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি ফোরেন দেলিগেটশিংগা পাউমীশিংগা উনবা ইজিপ্টতগী লাকপা ইস্লম কৌবা দেলিগেট অমনা পাউমীশিংদা হায়, চহী অসিগী ওইনা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি হায়না সেপ্টেম্বর ২৫ দা মণিপুর লৈঙাক্লা থাদোরকপা হৌবদগী ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবগী লাক্লবা থা অনীগী মমাঙদা শেম–শাদুনা লৈখিবনা খুদক্তা কেন্সেল তৌবা য়াখিদবনি। ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবা ষ্টৌল বুকিং তৌবা লাক্লবা টিকেট ককপা, লৈনবা মফমগী, চাননবগী , ট্রান্সপোর্টকী শেল য়ান্না চঙনা হোৎনদুনা লাকপনি। হৌখিবা চহীশিংগী সঙাই ফেষ্টিভেলদসু শরুক য়াখ্রে। লমদম অসিগী মীয়ামগী হোস্পিটালিটি, ফ্রেন্দশিপ ওইবা মওং অমসুং ফোরেন দেলিগেটশিংবু সপোর্ট তৌবীবা কয়া কাউবা ঙমদে। কেলেন্দর ফেষ্টিভেল ওইনা লৈবা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেলশিংদসু শরুক য়াদুনা লাকপনি।

মরম অদুনা ফেষ্টিভেল অসি অমুক্তং য়ৈথোকখিবা তারবদি লাক্কদবা চহীশিংদা ফোরেন দেলিগেটশিং য়াওবা ঙম্লোইদবগী অচৌবা ফীভম লৈ। মরমদি সেদ্যুল অসি কায়বা মতমদা অতোপ্পা লমগী ফেষ্টিভেল অমদা অমুক চংখিদৌবা মরমনা মখা তানা লমদম অসিগী ফেষ্টিভেলশিংদসু ফোরেন্নরশিংনা শরুক য়ারদনবগী অচৌবা মরম ওইগনি। ফ্রেন্দশিপ ওইনবগী ৱাখলদা ইয়ূমক্লি খনদুনা ষ্টেট অসিদা লাকপনি। মহৌশাগুম্না কো–ওপরেসন পীবিদুনা ফেষ্টিভেল অসিবু মপূং ফানা পাঙথোকহনবিয়ু লোয়ননা মীয়ান্না শরুক য়াবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা থাইলেন্দদগী দেলিগেট পরিচট কৌবা অমনা হায়, চহী ৭০ শুরবা মহাক্লা সঙাই ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াবা লাক্লিবসি মণিপুরদা মহাক্লা পামজবা কয়া লৈরি। সঙাই ফেষ্টিভেল কয়াদসু শরুক য়াখ্রে। মণিপুরীশিংবু রিলেটিভ অমগুম্না লোয়নমক নুংশি। মণিপুরগী মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা সঙাই ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা ষ্টৌল ফম্বা লাকখিবা নৎতে। মণিপুরগী ফেষ্টিভেল অসি য়াওনিংবদগী থা অহুমগী মমাঙদা ফ্লাইট টিকেট ককপা, হোটেলগী, ষ্টৌলগী, পুরক্লিবা পোৎলমশিংগী মাঙজৌননা শেল থিদুনা ৱানা লমদম অসিদা লাকচবনি। মণিপুরগী মীয়ান্না ফেষ্টিভেল অসিদা কো–ওপরেসন পীবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

# পেদিয়েট্রিক্স এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী এনুয়েল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ পেদিয়েট্রিক্স এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (পি এ আই) গী তরেৎলক শুবা এনুয়েল নেস্নেল কনফরেন্স পাইকোন ২০১৯ ঙসি ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সিদা লৈবা হোটেল ক্লাসিকতা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীনদুনা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুগী হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচানদনা হায়খিবদা পেদিয়েট্রিক্স এসোসিয়েসন ওফ ইনিদয়া (পি এ আই) না লৈবাক অসিগী অঙাংশিংদা হকচাং ফনা লৈহন্নবা থবক কন্না পায়খৎলি। পি এ আইনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈবাক অসিগী অঙাংশিং মশা–মউ ফনা লৈহন্নবা হোৎনবগীদমক থাগৎপা ফাওই।

মখা তানসু লৈবাক অসিগী অঙাংশিংগীদমক হেন্না মায় পাক্ল থবক তৌবা ঙম্বা ওইসনু। মখোয়গী কখোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনবনা মীয়ান্না হেন্না মশক খঙবা হেনগদৌরিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা পি এ আইগী প্রসিদেন্ট ইলেক্ট ডা ভারত চাপ্রাৱালনা ষ্টেট অসিদসু পব্লিক হেল্থ কম্মিসন অমা হাংদোক্লবা স্পিকরদা তকশিনখি। মসি অনা–লায়েংগা মরী লৈনবা প্রোব্লেম মশীং য়ান্না সোল্ব তৌবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা পি এ আইগী প্রসিদেন্ট ডা নিমাইন চরন মোহন্টি, পি এ আই মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট এল ব্রজমোহোল, পি এ আইগী ওনোরেরি সেক্রেটরী জেনরেল ডা অনূপ ভরমা, পি এ আইগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ডা কেএচঐচ চৌরজিৎ, পি এ আইগী ফাউন্দর সেক্রেটরী ডা গদাধর সরঙ্গি, ওর্গনাইজিং চেয়ার্মেন ডা শ্যামকুমার লাইশ্রম, ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী ডা ঐচ জশোবন্তসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা চীফ গেষ্টনা পি এ আইগী সোভেন্যের অমসু ফোঙখি। লোয়ননা পি এ আইগী ফেল্লোশিপ এৱার্দস অমসুং পি জি মহৈরোইশিংদা পীবা বেষ্ট পেপর এৱার্দসু লাহ্নোকখি।

## কোকোমিগী বোইকোট ...

*লমায় ১গী মখা...* ইকাই খুম্নরবা মীথুংশিং ওইগনি লোয়ননা তুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যারমেন ডা. সাপম রঞ্জননা থৌরম মপু ওইগনি।

মদুগী মমাঙ্গা ফেষ্টিবেল অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈবুল লমজাওদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট অমদি মাহুদকী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা অয়ুক পুং ১০.৪৫ তাবা মতমদা অথোইবা মীথুং ওইদুনা হৌদোক্কনি।

থৌরম অদুদা এম এল এ পি সরতচন্দ্র, দিপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, এম এল এ ঐচ দিঙ্গো, এম এল এ এস বির, এম এল এ টি ঐচ সত্যব্রত্তনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইগনি। লোয়ননা পি দি এগী চ্যারমেনসু ওইরিবা এম এল এ টি রোবিন্দ্রোনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি।

ফেষ্টিভেল অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোইখোঙনাঙ–খাঙদা লৈবা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদসু পাঙথোক্কনি।

# ‘সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর লৈঙাক্লা ঙাকপিয়ু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুর সিভিল সার্ভিস কম্বাইন্দ কম্পিটেটিব ইগজাম ২০১৬ অসি অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওরে হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর থোকখিবা মতুং ইন্না লৈঙাক অসিনসু অথুবা মতমদা ওর্দর অমা থোকপগা লোয়ননা সি বি আই গী ইনভেষ্টিগেসনদা লৈঙাক অসিনা মতেং পাংবিয়ু হায়না ইগজামিসেন অসিগী গ্রুপ ওফ অসপিরেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবা অমদা গ্রুপ ওফ অসপিরেন্ট অসিগী স্পোক্সপার্সন কৈশাম কিষণনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইগজামিসেন অসি অশোয়বা অরানবা য়াওরে হায়না মণিপুর হায় কোর্টনা থোকখিবা ওর্দরবু য়ানিংদে হায়না মণিপুর হায় কোর্টনা থোকখিবা ওর্দর অমবু য়ানিংদে হায়দুনা ইগজামিসেন অসিদা খনখ্রবা কেন্দিদেটশিং খরনা সুপ্রিম কোর্টতা স্পিসিয়েল রিট পেটিসন অমা থারকখি। মদুদা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিসনা নীংথিনা খন্নরিবগা ইনক্বারি কম্মিটিনা লানখৎলকখিবা রিপোর্টতা অশোয়বা অরানবা অমত্তা য়াওদে। লোয়ননা ইগজামিসেন অসিগী সেলেক্সন প্রোসেসতা অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওরে হায়না ওর্দর থোকখি।

মরম অদুনা সুপ্রিম কোর্টনসু ওর্দর অমা থোক্লবনিনা হৌজিক মণিপুর লৈঙাক অসিনা ওর্দর অমা থোকপিদুনা ইগজামিসেন অসিদা খনখ্রবা কেন্দিদেটশিং থবক কারব্রা কাদব্রা য়েংশিনবিয়ু। লোয়ননা সি বি আই না ইনভেষ্টিগেসন তৌগদৌরিবা অসিদসু লৈঙাক্লা মতেং পাংবিদুনা ইগজামিসেন অসিগী সেলেক্সন প্রোগেসসতা অরানবা তৌরম্বশিং অথুবদা চৈরাক পীবিয়ু। মণিপুর সিভিল সার্ভিস কম্বাইন্দ কম্পিটিসন ইগজামিসেন ২০১৬ অসি নৌনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।